# আইএলপি সিএম ইবোবীনা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ঙম্মী, মীয়ামদা নমথাক তৌবনি

*- তাপ্রি গাও*

*ইম্ফাল, জুলাই ১৪ঃ* ‘‘দি বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার রিগুলেসন ১৮৭৩’’ অসি মীজোরাম, মণিপুর, নাগালেন্দ অমদি অরুনাচল প্রদেশনচিংবা ষ্টেটতা চৎনদুনা লৈরিবনা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম ষ্টেটকী চিফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী সিংহনা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ঙম্মী। হৌজিক সি এম ইবোবীগী সরকারনা তৌরিবসিদি মণিপুর প্রজাদা মচিন থিবনি হায়না বি জে পিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি তাপ্রি গাওনা হায়খ্রে।

ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী নিত্যায়পাৎ চুথেক্তা লৈবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মণিপুর প্রদেশকী  ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি অসিনা মখা তানা হায়খিবদা বি জে পি হায়রিবা পার্টি অসি প্রজাশিংগী ইহুল খংনা থবক তৌবনা অতে পোলিটিকেল পার্টি য়াওনা ক্রিটিসাইজ তৌই। পার্টি অসি মুস্লিম অমদি মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিংগী য়েক্লবা ওইনা উহনসি লাইবক থিবনি।

তশেংনমক্তি পার্টি অসি মতম কয়াদগী মুস্লিম অমদি মাইনোরিটি কয়া সপ্পোর্ট তৌদুনা লাক্লি। পার্টি অসিনা ইং ১৯৮০ দগী মেঘলয়াদগী জে জে শুরেন, মহারাষ্ট্রগী গভর্নর ওইরম্বা পি সি অলেজেন্দর, এ পি জে অব্দুল কলাম য়াওনা মীওই কয়া প্রসিদেন্ট মীখলদা সপ্পোর্ট তৌদুনা লাক্লি। মখা তানা হন্দক পাঙথোক্কদবা প্রসিদেন্ট মীখল অসিদসু অৱাং নোংপোক্তগী য়াম্না মতিক চারবা লিদর, পি এ সংমাবু শৌগৎলি। মহাক অৱাং নোংপোক্তগী লাকপগী সপ্পোর্ট তৌবগী ৱাফম নত্তনা মহাক চিফ মিনিষ্টর অমদি স্পিকর ওইরম্বা য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা অৱাং নোংপোক্কী প্রাইদনি। মহাক কুম্না তাংলবা মীওই অমা সপ্পোর্ট তৌবসি অতাংবা তাঞ্জা অমনি।  বি জে পিগী অপাম্বদি অফবা চং থোকপা লিদর অমা পুথোক্তুনা মণিপুরগী মীকপ মীরাওখোল তাহন্দবনি।

মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহনবদা বি জে পিগী ওবজেক্সন লৈতে। পাস তৌনবা হোৎনদুনা লাক্লি। তশেংনমক্তি আই এল পি অসি কংগ্রেসকী ইবোবীনা লুচিংবা সরকারনা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ঙম্মী। মরমদি ‘‘দা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার রিগুলেসন-১৮৭৩’’ অসি ঙসি ফাওবা হিংলি।হৌজিক ফাও রিগুলেসন অসি পার্লিয়ামেন্টনা এমেন্দমেন্ট তৌবা লৈত্রি। কেবিনেট মীফম ফমদুনা ককথৎপসু লৈত্রি। অদুনা মণিপুরদা আই এল পি চৎনহনবসি চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা কন্সর্ননি।

পাউগী মীফম অদুদা বি জে পি নোর্ঠ ইষ্ট ইন চার্জ চন্দ্রসেখর রাওনা হায়খিবদা দিল্লিগুম্বা ফোরেইনর কয়া লাকপা নোংমা নোংমগী হেঙ্গৎলকপগুম মণিপুরদসু আইনা য়াদবা মওংদা বংলাদেসি অমদি ম্যান্মারী কয়া হায়জিল্লক্তুনা য়েলহৌমীশিংগী থবক-ইনখাং, ইকোনোমি য়াওনা লৈফম-চাফমদা চাওনা অহোংবা পীরি। অদুনদি ষ্টেটসিদা আই এল পি চৎনহনবা তঙাইফদে। মরম অসিনা ষ্টেটসিদা আই এল পি চৎনদুনা এস দি ও/মন্দলগী থাক্তা মীশিং খংদোক্তুনা আইনগী ওইবা মীশিংগী শিনফম অমদি অতে মরী লৈনবা কয়াগী দরকার ওইবা চে-চাং পীবা তাই। আই এল পি না মণিপুরদা অচৌবা থ্রেদ অমা পীরিবসি বিজেপিনসু মখল কয়াগী এজিটেসন নচিংবা চংশিনগনি।

ষ্টেটসিদা আই এল পি চৎনহনবা হায়বসি ষ্টেট কন্সর্ননি। মসিদা সেন্টরগী অয়াবা লৌদ্রবসু য়াই। মণিপুরগী কংগ্রেসনা লুচিংবা সরকার অসিদি সেন্টরগী য়াকা য়েংলগা চৎপনি। ঙসি মণিপুরদা ভারত সরকারনা শান্তিগী ৱারী শান্নরিবা অদুগা মণিপুর সরকারগদি ৱারী শান্নদ্রিবা এন এস সি এন (আই এম) গী দেজিগনেটেদ কেম্প কয়া ফোংনা হাংবদা সরকারনা করি তৌরি। ইবোবীনা লুচিংবা কংগ্রেস সরকার অসিদি প্রজাশিংগী দরকার ওইবা পোৎ-চৈ ফংহনবা ঙমদবা হুরান চিল্লি তৌবা সরকারনি। হায়রিবা সরকার অসিনা মহৈরোই অমদি প্রজাশিংগী পীফমথোকপা প্রজাশিংগী চাকথুং পীবিদ্রি।

পাউগী-মীফম অদুদা বি জে পি, মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এস ঐচ শান্তিকুমার শর্ম্মনা হায়খিবদা ঙরাংগী এসেমব্লি মীফমদা আই এল পিগী মতাংদা চিফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ‘‘বি জে পিনা পংলাও লাওবগী মহুৎতা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎতুনা খন্নদ্রিবা  করিগীনো’’ হায়বসি লাইবক থিবনি। মরমদি বি জে পিনা হৌজিক ফাওবা লৈপাক্কী ইশু কয়াদ শরুক য়ারি। বি জে পিনা মণিপুরগী লোল ৮-শুবা সেদ্যুলদা চনহনবা বি জে পিগী লৈখিদ্রবা শহিদ মধুমঙ্গোল শর্ম্মনা পার্লিয়ামেন্টতা লাওখি।  মখা তানা ইং ১৯৯১ দা পার্লিয়ামেন্টতা প্রাইভেট মেম্বর দিজোলুপ ওইনা পুখৎতুনা খন্নখি। মসিদসু নত্তনা লৈপাক ৱাথোক ওইখিবা শঞ্জিৎ-রভিনা লৈখিদবা কেস সেন্টরগী টিম অমা লাক্তুনা থৌদোক্তুনা হকথেংনা য়েংশিন্দুনা লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা পুথোক্তুনা খন্নখি। পার্টি অসিনা মতম কুইনা ষ্টেটসিদা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌদুনা অৱাবা মাইয়োক্লবদু শুমল মোরাজনা পুখৎতুনা খন্নখি। মসিদসু নত্তনা লোক্তাক্কী ইশু, রিচার্দ লোইতামগী মতাংদা লাওদুনা লাকপগী মথক্তা থবক ওইনা পাঙথোকখি। বি জে পি দি মণিপুরগী শক্তম কাইহন্দনবা হোৎনবা পার্টিনি। মসিমক্না মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎতুনা লাওদুনা থবক ওইনা পায়খৎনবা হোৎনরি।

মহাক্না মখা তানা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা খুৎলাই পায়বা মীওই খরনা ইম্পাল-মোরে চেনবা গাড়ী মৈ থাবদগী হায়ৱে অসিদা গাড়ী চেন্দবা অমদি কক্চিং লমখাইদা ব্লোকেদ তৌরিবসি মহৌশাগুম গাড়ী চেলহন্দুনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবা বি জে পিনা দিমান্দ তৌরি হায়রি।